ঈকং থোক্লে লাওথোকখ্রগা তুমিন্না লৈশিনবা পেন্দে, কনবা য়াবা লৌফমশিং কনবিয়ু: লাল

বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস): কুমগী নোং মরাং কাইনা চুদবনা মণিপুরদা ঈকং থোক্লে হায়না লাওথোকখ্রগা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবা অসি পেন্দে অমদি কনবা য়াবা লৌফমশিংদি কনবিয়ু হায়না ঙসি লৌমী শিন্মী অপুনবা লুপ (লাল) বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট মাইবম রোবাটনা মীদিয়দা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি নিংথৌখোংখা খুনৌদা লৈবা লালগী টেম্পররি ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি। রোবাটনা মখা তানা হায়খিবদা, হন্দক চহী অসি নোং মরাং কায়না চুদ্রবসু থা ১/২গী মনুংদা এল এল আই প্রোজেক্টনা ঈশিং থাবিদুনা প্রোজেক্ট অসিগী কেনেলশিংদগী চাবা লৌবুকশিংগী ফীভমদি ময়ামদগী খরা হেন্না ফনা লৈরি। হায়রিবা লৌবুকশিং অসি হৌজিক ঈশিং লৈতবনা ফৌ শাৎপা ঙমদনা লৈরি অমদি উতোং লাকপা হৌরে।

মরম অসিনা লৈঙাক্লা এল এল আই প্রোজেক্টকী ঈশিং অসি থাবা হৌবিদুনা লৌবুকশিং অসিবু কনবিয়ু হায়খি। থা অসিগী ১৪ ফাওবদা ঈশিং থাবা হৌদ্রবদি মথং নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১৫দা লুপ অসিনা শিন্দুনা নিংথৌখোঙ বাজারদা ৰাকৎ মীফম অমা ফমগনি। ৰাকৎ মীফম অসিদা মীয়াম্না অমদি মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিং ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়না মহাক্লা অপিল তৌখি।

রোবাটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৭দা মণিপুরদা ঈশিং ইচাও লাওথোকখ্রবা মতুং সেন্ট্রেল গভর্মেন্টনা লৌমীশিংগী পিরকখিবা কমপেন্সেসন হৌজিকফাওবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্কী ওইনা ফংদ্রি। মসিসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবিদুনা লৌমীশিংদা কেম্পেন্সেসন অসি অথুবা মতমদা ফংহনবিয়ু হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা লৌমী শিন্মী অপুনবা লুপ (লাল) বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট বসন্টা, এদভাইজর ফিলেম বসন্তা অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরি অহন্থেম লাইঙমসু শরুক য়াখি।

‘হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস): য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হন্দক সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা অৱাং নোংপোক লমদমদা মখল অমত্তগী অকায়বা থোকহল্লোই হায়খিবদু মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি হায়না নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্দিজিনস পিপল (এন ঈ এফ আই পি)না ফোঙদোরক্লি।

ফোরমগী মীদিয়া সেক্রেটরি খুরাইজম অথৌবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অৱাং নোংপোক লমদম পুম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়ন্স (এন ঈ দি এ) গী মীফমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবনি।

অৱাং নোংপোক লমদমদা অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপশিংবু লৈবাক্কী সিটিজন ওইহন্নবগী পান্দমদা সেন্টরনা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমদি পাকিষ্টান্দগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা হিন্দু, জেন, সিখ, বুধিষ্ট, পার্সি অমদি খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপা মীওইশিংবু ইন্দিয়ন সিটিজন ওইহল্লগা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামদা কান্নবা ফংহনগনি হায়রকপদা থাজনিংঙাই ওইদে। হিরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল লিদরশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংগী নুংনাংবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ন থিএটর ওলেম্পিয়দতা সেকেন্দ বেষ্ট প্লে য়াওনা মনা কয়া লৌরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস): কত্তককী মিল্লেনিয়ম সিটিদা ২৭শুবা ইন্দিয়ন থিএটর ওলেম্পিয়দকী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ড্রামা, দান্স অমসুং ম্যুজিক কম্পিটিসন অমদি ইন্টর্নেসনল থিএটর ফেষ্টিভেল ২০১৯দা শরুক য়ারুবা দ ৱেষ্টর্ন কলচর এসোসিএসন ইম্ফাল মরিপুরগী ড্রামা ‘দানভীর ডত্তা কর্ন’ হায়বসিনা সেকেন্দ বেষ্ট প্লে তাবগা লোয়ননা অতৈ মনা ১০ অমসু ফংলক্লে হায়রি।

ইন্দিয়ন থিএটর ওলেম্পিয়দ অসি ওরিশা লৈঙাক্কী ওরিশা লেঙ্গৱেজ, লিতেরেচর অমসুং কলচর লোয়শংগা খুৎশম্নরগা উটকাল য়ুভা সনস্কৃটিক সঙ্গ অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কত্তক অনীনা পূন্না শিন্দুনা কত্তককী মিল্লেনিয়ম সিটিদা পাঙথোকখিবনি।

দাইভর্সিটি ইন য়ুনিটি হায়বা পান্দমসিদা সেপ্টেম্বর অমদগী হৌরগা সেপ্তেম্বর ১০ ফাওবা নুমিৎ ১০নি চথখিবা ইন্দিয়ন থিএটর ওলেম্পিয়দ অদুদা ইন্দিয়াগী ৱাংমদগী লৈবাক ৪০ রোমসু শরুক য়াখি হায়রি। থিএটর ওলেম্পিয়দ অদুগী ওল ইন্দিয়া ড্রামা, দান্স অমসুং ম্যুজিক কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিবা ড্রামা দানভীর ডত্তা কর্ননা সেকেন্দ বেষ্ট প্লে, সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্তর, সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ, সেকেন্দ বেষ্ট এক্তর, সেকেন্দ বেষ্ট এক্ত্রেস, সেকেন্দ বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্তর, সেকেন্দ বেষ্ট এক্ত্রেস, সেকেন্দ বেষ্ট কোষ্টুয়ম, সেকেন্দ বেষ্ট মেকঅপ অমদি বেষ্ট ম্যুজিককী মনাশিং লৌরকখিবনি হায়রি।

দানভীর ডত্তা কর্ন হায়বা ড্রামা অদুবু তাকপী-তন্বীখিবী এম লোলিবলানা সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্তর অমদি কুন্তিগী শক্তুমসু লাংদুনা সেকেন্দ বেষ্ট এক্ত্রেস তাখি। ড্রামা অদুবু ইখিবা ব্রন্মাচরিময়ুম রোজিনা সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ অমদি পদ্মাবতিগী শক্তম লাংদুনা সেকেন্দ বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ত্রেস তাখি। কর্নগী শক্তম লাংখিবা পিঐচ সোনিয়ানা সেকেন্দ বেষ্ট এক্তর, কৃষ্ণগী শক্তম লাংখিবা আর কে চনুলেম্বীসনানা সেকেন্দ বেষ্ট এক্তর, সেকেন্দ বেষ্ট মেকঅপ অমদি কোষ্টুমদা পি প্রিয়া, সীঐচ বসন্তানা বেষ্ট ম্যুজিককী মনাশিং ফংবা ঙম্লকখি। ড্রামা অদুদা গোভিননা লাইট পাইদুনা শরুক য়াখি হায়রি।

খোঙজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লাংবন হৈশোই কৎপগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস): খোঙজোম ৱার মেমোরিএল ট্রষ্টনা শিন্দুনা চহী খুদিংগী চথরকপগুম ২৬রক শুবা খোঙজোম তর্পন, লাংবন হৈশোই কৎপগী থৌরম লাক্লিবা সেপ্টম্বর ১৫দা খোঙজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাংথোক্লগনি হায়না খোঙজোম ৱার মেমোরিএল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট এম হেমন্তানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খংহল্লক্লি।

নুমিৎ অসিদা মরৈবাক মজাতিগীদমক্তা থৱাইনা পোন্থা ওইখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লাংবন হৈশোই তমজগনি। হায়রিবা থৌরম অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা লৈবাক্কী ফম্নাইবশিং, মহৈরোয়শিং, অহল-লমনশিং, ইমা-ইবেনশিং অমদি লৈবাক অসিদা খুন্দমিন্নরিবা মীওইশিং পূম্নমক্না খেন্নবা থমদনা শরুক য়াবিনবা পাউজেল পিরক্লি।

মণিপুরগী মীয়াম্না থাজনবা অমখক লৈ মদুদি, নোংগাখ্রবা থৱাইশিংনা নোংদোনথক্তা লৈবা মতমদা অরাম-খৌরাংবা য়াম্না ফাওই অদুবু ঐখোয়না কৎলিবা লাংবন হৈশোই অসিনা চহী অমা অরাম-খৌরাংবা কোকই হায়নৈ। থাজবা অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা কুমজা ১৯৯৪দগী হৌদুনা খোঙজোম লান্দা থৱাইনা পোন্থা ওইখ্রবা অথৌবশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

নুমিৎ অসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খেন্নবা লৈতনা মীয়াম পূন্না লাক্তুনা ২৬শুবা খোঙজোম তর্পন, লাংবন হৈশোই কৎপগী থৌরম অসি শরুক য়াবীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

প্রধান মন্ত্রি সুরকসিট মত্রিভা অভিয়ান, সী ঐচ সী হাওরৈবীদসু হৌদোকখ্রে

থৌবাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস): মীরোল্লিবী মমাশিংবু মশা-মউ ফনা লৈনবগীদমক মখোয়বু লেম্না চেক তৌনবগী খুদোংচাবা পীবা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী অনা লায়েংশং খুদিংদা চৎনহনবা থৌশিল প্রধান মন্ত্রি সুরকসিট মত্রিভা অভিয়ান (পি এম এস এম এ) সী ঐচ সী হাওরৈবী লিলোংগী ওইনসু ঙসি দি সী থৌবালনা অচন্বা থৌরম অমগা লোয়ননা হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা পি এম এস এম এ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল এন বন্দনা আই এ এস, মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্থ লোয়শংগী দেপ্যুটি দিরেক্তর অমদি এন ঐচ আর এমগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডা. মীনা সেরাম, দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসার (দি এফ দব্লিয়ু ও) থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচা, পি এম এস এম এ মণিপুরগী ভোলনটিয়র স্পেসলিষ্ট ডোক্তর অহুম ডা. জেমস এলাংবম ও বি জি ৱাই, ডা. নবাকান্তা শর্ম্মা অমদি ডা. এন সুবোধানা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীরোনবী মমাশিংবু লেম্না চেক তৌবগী কেম্প অমসু য়াওখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দেপ্যুটি দিরেক্তর অমদি ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডা. মীনা সেরামনা ফোঙদোকখিবদা, সী ঐচ সী হাওরৈবী লিলোংদা ঙসি হৌদোক্লিবা পি এম এস এম এগী থৌসিল অসি থা খুদিংগী ৯দা পাঙথোক্কদবনি। অমদি হান্ননা হাঙদোকখ্রবা মফমশিংদসু অদুমক পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসি মরু ওইনা মীরোল্লিবা মমাশিংবু মশা-মউ ফনা অঙাং উন্নহন্দুনা অঙাং উন্নবদা মমাশিবগী (মেটরনেল মোর্টেলিটি) চাং অমসুং অঙাং শিবগী (ইনফেন্ট মোর্টেলিটি) চাং হন্দহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌদোরকপা থৌসিল অমনি।

পি এম এস এম এ থৌশিল অসি হৌদোকপগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা কেম্প অসিদা মীরোনবী মমাশিংদা ক্বালিটি চেক-অপ ফংহন্নবা মীরোনবী মমাশিং অসিবু নিংথিনা মচি ওইবা চিঞ্জাক (ন্যুট্রিস্নেল ফুদ)শিং পিজদুনা, ফমহন্দুনা, পোত্থাহন্দুনা লৈহল্লগা রেজিষ্ট্রেসন তৌবদগী হৌনা অসাশিংনা মখোয়গী টিকেত ককপিবা অমদি মথৌ তাবা কার্দতা মিং চনশিনবিরবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা দাইবেটিস, হায়পরতেন্সননচিংবা চেক তৌবীরগা অলবুমিন, সুগর টেষ্ট, ঈ (ব্লদ), অলত্রাসাউন্দনচিংবা এগজমিনেসন ময়াম অমা লেম্না তৌবীদুনা মখোয়দা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অদুবু ঙন্না খংদোকখি হায়রি।

ঙসি অহানবা হৌদোকপা অদুদা মীরোনবী নুপী ১০০ হেনবদা লেম্না অলত্রাসাউন্দ লৌবা, দাইগ্নোসিস তৌবা, লেবোরেটোরি টেষ্টশিং তৌবা, মেদিটেসন তৌবা তন্বীবা অমদি লেম্না হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা মচী ওইবা চিঞ্জাকশিংগী অচা-অথকশিংসু পিখি। লোয়ননা লায়েংবা লাক্লিবা মীরোনবীশিংদা অশোই-অঙাম য়াওদনবা পাউতাক কয়াসু পীখি হায়রি।

লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ককচিং, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস): অয়ুসমান ভারতকী মখাদা মরিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট এজেন্সি (মুদা) ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, সী ঐচ সী ককচিংগী ডোক্তরশিং, নর্সশিং, ষ্টাফশিং অমদি অসা ৱার্করশিংগা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ নীনীগী লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা কেম্প অসি অয়ুসমান ভারত (দে নুলম)গী মখাদা লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মেম্বরশিং, মেম্বরশিংগী ইমুং-মনুং অমদি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী সেনিটরি ৱার্করশিংগী ওইবা লেম্না অনা লায়েংবা অমদি হিদাক-লাংথক পীবগী কেম্প অমনি।

ঙরাংদগী হৌদুনা চথরকখিবা লেম্না অনা লায়েংবগী কেম্প অসিদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ ১২দগী লাকপা পুন্না মীওই ১০০০ হেনবনা লায়েংখি অমদি মখোয়দা হিদাক-লাংথকশিং লেম্না পীখি।

গাড়ি চেল্লুদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবা অদুৱাইদা ইম্ফাল মোরে লন্বীগী লোকচাও এরিয়াদা টাটা দি আই গাড়ি অমা য়াদবা অমদি লন্বী ফত্তবা অমসুং পিকপনা মরম ওইদুনা পুং ২রোম লন্বী অসিদা গাড়ি ৩০০ লোম চেনবা য়াদদুনা পন্দুনা লৈরুরে।

তুংদা লোকচাওদা থোং শেম্বগী থবক চথরিবা জে সী বি অমনা লন্বী শিমজিল্লবা তুংদা গাড়িশিং অদু চৎথোক-চৎশিন তৌহনখি হায়রি।

[illegible]

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur
ADMISSION OPEN ☞ Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
Class Starting from: 16th October, 2019
Last Date of Admission 5th October, 2019
CBSE COHSEM
Class X & XII Sc. & Arts
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
Every Year we produced Students with Flying Colours in the Exam
Every Year we produced POSITION Holders as a nature of DELTA
Test Series in same patern of CBSE & COHSEM
Extra Discussion/Application session for the Wicker Students
Seperate Experienced Teachers for CBSE & COHSEM from Reputed Schools
HL-B/5662/12sept.-12oct.

INDIAN INSTITUTE OF BANKING AND INFORMATION TECHNOLOGY
Kakching Paji Leikai Ayangbung, Near Axis Bank
GSTIN : 18AAFF01723H1ZK
BRANCH CODE : IIBIT06684

Vacancy in India's top leading Pvt. Bank for the following positions :-

1. CSD :- Customer Service Officer Female Graduate Candidate.
2. Phone Banking Executive :- Graduate with Fluent in Hindi & English (Male/Female) both can apply.
3. Branch Executive :- Any Graduate with Age below 32 Yrs.
4. Loan Officer :- Any Graduate and Experience can apply.
5. Loan Development Officer :- Any Graduate and Experience can apply.
6. BRE/BRM :- 10 + 2 can apply with Fluent both English & Hindi.

Vacancy : Imphal, Dimapur, Guwahati/Shillong, Hojai.

Contact :- IIBIT, Kakching Branch
# +91 8837318822/ +91 8575836481/ +91 8014066918
HL-B/5664/12sept.-12oct.

[illegible]/পাইলস ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

নুঙশংগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- নুঙশং পেরে, কল্লাই, পোম্বা-তঙবা, অমাংথোঙ নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং মরেং চৎপা, চক চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ চনপ লাউবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, পিক্লা মরী অমা ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা শাবা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, ফ্রা ফ্রা লাউনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা), লিভর চাউথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai, Saya Club, Imphal East - 795002,
P.O. Mantripukhri, P.S. Heingang
HL-P/3764/22aug-22sept. # 8014023792



ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লন্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শক্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওরুবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফন্নবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Phone No. **9612225582**
HL-B/5648/31/8to30/9
Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/ পাইলস ওপরেসন তৌদনা ওজা কবিরাজ অবদুল হককী হীদাক চাজবদগী মপূং ফানা ফজরে

তশেংনমক ৱঙ্গৈাই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা লায়েংবিরিবা ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681গী হীদাক চাজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা :- খোঙ হাম্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজ নাম্থবা ইনখৎত্রিফাওবা চংদবা, খোঙ হাম্বা বেরা কাবা, কুইনা চংবা, শৌজ মপান্দা হাকৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, পুক খোংবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবনি। অদুবু ওজাগী হীদাক চাজবদগী হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে, পাইলস মপূং ফানা ফজরে। হৌজিক্তি ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা অমফাওবা লৈজদ্রে। ওজাবু ঙমখে লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4.30pm)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

থাগৎচরিবা : **Ch. Prakash**
Yaingangpokpi Mayai Leikai
HL-P/3738/12

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাউনা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোঙ মনুংদা পোম্বা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাউনা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোঙ মনুংদা পোম্বা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা, শা-ঙা অমদি অতেক-অনৌ চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, মরক-মরক্তা নুমিৎ হুমনি/মরিনি খোঙ হামদোকপা য়াদবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, অমাংথোঙদগী তিনকুপ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বগী চাম্বদা অমাংথোঙদা খূৎ থিনজিল্লগা চাম্বা, করিগুম্বা চামহৌদ্রগনা অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, নুংঙাইতবা, অমাংথোঙ মপান্দা ফুরিগুম্না শৌরগা নাই চারকপা, নাই অদু ওমখৎলকপদা য়াম্না চিকপা-নাবা, মেৎথোকখ্রগনা নাবা ফবা, ফম্বী য়াম্না পানা চৎপা, ঙকশম মরী নাবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

থাগৎচরিবা : **Y. Sarat Chandra,**
Koirengei
HL-P/4178/12



ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/ অহিংদা য়ুং পিৎ-পিৎ লাকপা মরম্না হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, হকচাং চোকথবা, ঈশিং তোয়না চৎপনা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা ফহনবগী ওজা Kayamuddin বু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা দাইবেটিসনা য়াম্না কন্না নাদুনা অহিংদা য়ুং পিৎ-পিৎ লাকপা মরম্না হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, হকচাং চোকথবা, ঈশিং তোয়না চৎপনা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, চাবা থকপা য়াদবা, হকচাং চাওখৎপা, তাং-তাং পোম্বা, মীৎ লূম-লূম লাওরগা লৈবা, ঈ ৱাৎপনা কোক ঙাওবা, হকচাং মীপাইবা পোকপা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, চাবা থকপা হাজম ওইবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027, 8837496469, 8413870027** তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা MV. Kayamuddin বু মতম চূপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
3. Tiddim Road Old Bazar ICICI Bank Opp. CCpur, 7:00 am to 4:00 pm

থাগৎচরিবা : **Hemam Loyangamba Meitei,** Chingmeirong
HL-P/3741/12

[illegible]/POST VACANCY

Wanted warden cum tutor, B. Sc. or M. Sc. Nursing from recognised institution urgently, salary is negotiable.
No. of Post - 1 (One)
Time : 9:30 am to 1pm.
Contact No:- 7005357856/9774467721

Sd/- Principal
The School of Nursing
Porompat, Khabeisoi, (MCVIS)
HL-P/4205/12,13,14



ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/ অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মনুংদা তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না শারগা লৈফম খঙদবা, খোঙ অকনবা হাম্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী তৎফমদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোরকপা, পোমথোরক্লগা লৈবা অসিনা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হামগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা চিক্কনি খনবদা, অমাংথোঙ মনুংদুসু তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা শারগা লৈফম খঙদবা, খোঙ অকনবা হাম্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী তৎফম অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, শা-ঙা, অতেক-অনৌ চাবা য়াদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেনবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌনাওদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা, ঈশিং চৎপদা শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/3752/12 *থাগৎচরিবী :* **S. Ningol Leima,** Bashikhong

ꯃꯥꯡ/BANK PASS BOOK LOST

I have lost my Bank Pass Book of SBI, Nambol Branch bearing A/c No. 20438464456 on the way between Nambol Chingmang and my residence on 01/09/2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Longjam Sashikanta Singh
Utlou Makha Leikai, # 8731045126
HL-P/3682/12

ꯃꯥꯡ/PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing P.P.O. No. SF/13546 in the name of Late T. Meghachandra Singh on the way between Top and Imphal Treasury on 27/08/2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Kumari T. Sobita Devi
D/o (L) T. Meghachandra Singh
Top Awang Leikai # 9436691622
HL-P/4197/12

ꯃꯥꯡ/PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing P.P.O. No. SM/27321 in the name of Late Ksh. Tomchou Singh on the way between Singjamei and Imphal Treasury on 27/08/2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Kshetrimayum Mike Devi
D/o (L) Ksh. Tomchou Singh
Singjamei Chingamakha Kshetri Leikai
9436691622
HL-P/4197/12

ADVANCED COACHING INSTITUTE
MEDICAL & ENGINEERING COURSE – 19th SEPTEMBER
2019 BOSEM TOPPERS
2ND POSITION ASEM SOPHIYA
7TH POSITION W. NINGTHEM
7TH POSITION W. SANAMATUM
8TH POSITION U. ADHITYA
15TH POSITION REHAN YUMNAM
22ND POSITION ROSHAN KH.
23RD POSITION RICKY KHAIDEM
23RD POSITION SOIBAM DAINA
24TH POSITION LAMJINGBA
CBSE
ANOUBAM SNEHA CBSE (X) 95.5%
MORNING 04.30 – 7.30 A.M.
EVENING 04.40 – 8.00 P.M.
2019 COHSEM SCIENCE TOPPERS
4TH POSITION ROBINSON
6TH POSITION SHAHA MINHAZ
8TH POSITION ANJU ANAND
9TH POSITION THOUNGAMBA
16TH POSITION SAMANANDA
2019 COHSEM ARTS TOPPERS
5th POSITION KH. SHARMELI
5TH POSITION H. BERON
6th POSITION LINTHOINGAMBI
10TH POSITION L. BRINDASHI
SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex students).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% AND ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONSESSION ON GOVT. SCHOOL
REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
- BASE ON BOSEM, COHSEM & CBSE EXAM PATTERN SYSTEM
- TO SCORE HIGH MARK AND QUESTION ANALYSIS OF PREVIOUS YRS
VAN SERVICE BOTH MORNING & EVENING
BOYS' & GIRLS' HOSTEL AVAILABLE
FOUNDATION CUM REVISION COURSE

CLASS	VI TO IX	X/BOSEM	X/CBSE	XI (Arts/Sc.)	XII (Sc. /Arts)	XII COMMERCE
DATE	9TH September.	9TH & 19TH Sept.	9TH & 23RD Sept.	9TH & 23RD Sept.	9TH & 19TH Sept.	9TH & 23RD September

NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUARY : 9862992105
HL-B/5660/11sept.-11oct.